# ইনখৎলকপা মতমদগী হৌরগা ঐহাক শান্না খোৎনবগা ইরোইনদুনা লাকখি ঃ আর কে দেবযানি



আর কে দেবযানি
(ভেটরান প্লেয়র)



ষ্টেট গেমস বোল্লিবোল, ঈ এস য়ু - কোসমো (১৯৭১)

## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

### অকাউ পরৈ চল্লুরবশিং

(হান্নগী মখা...)

অঙাং ওইরিঙৈদদি ইশাসি প্রাদিক পাই। চেনবা চোঙবা, এক্সর্সাইজসিসু চাং নাইনা তৌজবনিনা ইশাসি ফজনা অদুম তাশিল্লি। স্কুলগী ওইনা তৌবা 'এন্যুএল স্পোর্টস মীট' কী ফর্ষ্ট প্রাইজগসিদি পুল্লপ-পুল্লপ ফনা য়াম্মী ঐনা ফঙলকপসি। শান্নবসিদি অদুক্কী মতিক থৱায় য়াওজরকই। ওজাশিংনসু ফজনা খঙবিবা ওইনা তৌরদনা, ৱাংখৈ গার্লসকী শান্না খোৎনবগী টিম অমা শেমগনি হায়রবদি ঐখোয়বু হান্না কৌথোকপীরকই।

ঐখোয়না স্কুল তল্লিঙৈ মতমদুদি স্কুল গেমসকা, মণিপুর ষ্টেট গেমসকা অনীসি য়াম্না চাউনা চাউনা পাঙথোল্লম্মী। অনীসি য়াম্না চাউনা চাউনা পাঙথোল্লম্মী। চহীগী ওইনা পাঙথোকপা মতমদুদা মাগী মাগী স্কুলশিংনা চেম্পিয়ন ওইননবা স্পোর্টসতা মমিং লৈবা, তাকপী-তম্বীবদা চঙখোনবা ওজাশিংসি থওইনা নেল্লগা ত্রেনিং তৌহনবা, কোচিং পীহনবা মসিগুম্বসিসু অদুম তৌনরকই। হোকিগী ত্রেনিং তৌরকপসিদি ইষ্টর্ন গ্রাউন্দদা সেনিয়র ওইবা ইবুং ইপ্বাশিংগা তৌমিন্নরকই। বোল্লিবোলসিসু নুপামচাশিংগা শান্নমিন্নরকই।

হোকিদা শান্নমিন্নরকখিবা ঐনা নীংশিংজবশিংদি আর কে রাধেসনা (ইষ্টর্নগী ফুটবোলদা মমিং লৈনা শান্নবীরম্বা য়াম্লুং আর কে ব্রোজেনগী মচাননুপীনি), হুইদ্রোম কিরনমালা (কোংবদগী হৌজিক্লা এ আই আরদা এন্নাউন্সর ওইরিবী), এ মনাও (তোপতগী হৌজিক্লা মণিপুর পুলিসতা লৈবনি), চিত্রসখি, লৌরেম্বম লুলু, এন রানিবালা (মখোয় অহুম্না ৱাংখৈদগীনি), বিমোলা, বিলাশিনি (খোংমন্দগী) অসিনচিংবনি।

স্কুল মতম কুমজা ১৯৬৮/৬৯ অসি ইঙাও ঙাওনা য়াম্না নুংঙাইখিবা পুন্সিগী তাঙ্কক অমা ওইখি। শান্নবসিদা নোংঙানবদগী নুমিৎ তাবা ফাওবসি স্কুল মতম হেক লোইবগা অদুম লুপ্তুনা লৈরকখি। স্পোর্টস ইভেন্টসিসু হৌজিক মতমগী অঙাংশিংদৌনা আইটেম অমখক শান্নবা নত্তে। অহুম মরিসিদা কোয়চেন চেন্দুনা নোংজু-নুংশা, নিংথম-কালেনগা থিবা নত্তে।

নুংশা মরক্তা অদুম শান্নদুনা লৈবগী ক্লাস নাইন তম্বা মতমদুদা কুচু-কুমেনগসি থোক ওনবজাৎনি। কুমজা ১৯৬৯ দা ঐহাক পুন্সিগী অহানবা ওইনা ভোপালদা স্কুল গেমসকী খো খো টিমদা য়াওননবা সেলেক্সন ফংজখি। মদুগী নুংঙাইখিদবা অমদি ঐখোয় মণিপুর টিমসি দিমাপুর ফাওবা চৎলবা মতুংদা ঈশিং চাউরে হায়দুনা লমখাংদগী হল্লকখি।

অতৈ অতৈ ইভেন্টকীসু স্কুল গেমসকী ওইনা ঐখোয় পূন্না চৎমিন্নবনি। ওজা ইবোয়াইমা, ওজা এ বি সী মখোয়না লিদ তৌরগা পুবিবনি। মদু ঐগী ওইনদি মণিপুরদগী ইহান হানবা ওইনা মপান্দা চৎপনি।

অসুম হায়না শান্নদুনা শুম লাকপসিনা কুমজা ১৯৭১/৭২ দদি ঐ মেত্রিক পাস তৌদুনা কোলেজ কারে। জি পি কোলেজদা তল্লে। মতাংদু য়ৌরকপদদি ইমুং মনুংনসু নঙনা পামজবা শান্নগদবা গেম অমখক্তং শান্নরো হায়বা হৌরক্লে।

ঐসু হোয় হায়নদি অদুম খুন্মী। অদুবু লোইনমক হৈরুরবনিনা ওজাশিংনসু পংয়াওদা য়াওহল্লি। ঐনা হৌজিক ফাওবা কাউদবা থৌদোক অমা লৈ। আসামগী ঝালুবারিদা তাখিবা ওল আসাম ইন্টর কোলেজগী শান্নবা চৎপা অমদা হর্দল চোঙবা হেক লোইবগা জিঙ্খ্রনা খাবা ৱাল অমা চোঙলগা বোল্লিবোল শান্নফম গ্রাউন্দ তান্না চেন্না চেন্না চৎখিবদু হৌজিক ফাওবা নীংশিংলি।

মদুগী চহীদুনা কোলেজ টিম পুদুনা চৎখিবসিনা ওজা ঙাঙোম ব্রজকুমারনি। মিংসি অমগীসু অমগীসু আইটেম অনী/অহুমদা লোয়না থাগৎপনিনা কোয়চেন চেন্দুনা শান্নখিবদুমদি খল্লুরগা নোক্লিংবসু পোল্লকই। ঐনা হর্দল কন্না চোঙলিঙৈদা জি পি কোলেজগী বোল্লিবোল টিমগী মিং পরেংসি মাইক্তা লাউথোরকখি।

লমজেল চেনফম, হর্দল চোঙফমসিনা গ্রাউন্দ অমদা তৌরগা অতোপ্পা গ্রাউন্দ অমদনা টিম ৱর্ককী ওইবা ইভেন্টশিংসি পাঙথোকই। অমসু অমসু নংনবা হায়দুনা হোবে হোবে তৌদুনা শান্নখিবশিংদু অমত্তা কাউবা ঙমদে।

কোলেজ তল্লিঙৈ মতমগী পুন্সি মতেক্তসু ঐগীদি স্পোর্টস ঙাক্তনি। শান্না খোৎনবগী নত্তবা অমত্তদা ৱাখলসি করিমত্তা হায়দোরকখিদে। গেমসিসু অমখক শান্নবা নত্তবনিনা ঙৈহাক্তা পোথাদুনা লৈরকপা ফংলকখিদে। ঐগী অঙাং ওইরিঙৈগী পুন্সি ইনখৎলকপগী মতমদি স্পোর্টসনা মপূং ওইরগা অদুম লাকখ্রবনি।

-মথং-মথং

# ইন্দিয়াগী শান্নরোয় তরুক্না চহী অসিগী ৱিমব্লেন্দা শরুক য়ারি





ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৫ (এজেন্সী) :

চহী অসিগী ৱিমব্লেদন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী টেনিস শান্নরোয় তরুক শরুক য়াগদৌরি। শান্নরোয় তরুকমক দবলস কেটাগোরিদা য়াওগদবনি।

হায়রিবা শান্নরোয়শিং অদুদি রোহন বোপান্না, জিবন নেদুনচেজিয়ান, লিএন্দর পেস, পুরব রাজা, দিভিজ সরন অমসুং সানিয়া মিরজানি।

রোহন বোপান্নানা ফ্রান্সকী এদৱার্দ রোজর ভেসেলিনগা পারগা দবলসকী মেচতা শরুক য়াগনি। অহানবা মেচতা মখোয়না জর্মনিগী দষ্টিন ব্রাউন অমসুং জর্মনিগী আলেকজেন্দর দেরেক জুনিয়রগী জুরাগা থেংনরগনি।

চৎলিবা চহী অসি রোহন বোপান্নাগীদমক্তদি নীংশিংনিংঙাই ওইবা চহী অমা ওইনা লৈহৌরগনি। রোলেন্ট গেরোসতা মহাক্না মিক্স দবলসকী টাইটল লৌখিবগা লোয়ননা গ্রান্দ স্লাম টাইটল লৌবা মরি শুবা ইনিদয়ন ওইবা ঙমখি। হন্দক্কী ৱিমব্লেদন্দসু মহাক্না ফাইনেল রাউন্দ য়ৌনবা মিৎয়েং থল্লি।

জিবন নেদুনচেজিয়ান্না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী জারেব দোনাল্ডসনগা পারগা মেন'স দবলসতা শরুক য়াগদৌরি। মখোয়না য়ুনাইটেদ কিংদমগী মালকস ৱিল্লিস অমসুং লৈবাক অসিমক্কী জেক্লার্ককী জুরাগা অহানবা মেচতা থেংনগনি।

চহী অসিগী হৌগৎলকপদা রোহন বোপান্নাগা পারগা চেন্নাই ওপনগী দবলস ইভেন্ট লৌখিবা জিবন নেদুনচেজিয়ানা ইষ্ট বোর্নদা ক্বার্টর ফাইনেল রাউন্দদা লৈহৌখিবনি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী জারেদ দোনাল্ডসনগা পারগা মেন'স দবলসতা শরুক য়ারিবা জিবন্না ৱিমব্লেন্দদা শরুক য়াবা হন্দক্না অহানবনি।

অমরোমদা লিএন্দর পেসনা কেনাদাগী অদিল সমাসদিনগা পারগা মেন'স দবলসকী টাইটল লৌনবা পান্দম থল্লি।

অহানবা রাউন্দদা মখোয়না ফিলিপ ওসৱাল অমদি জুলিয়ন নোলগী জুরাগা থেংনরগনি। মমাঙদা লিএন্দর পেসনা মেন'স দবলসকী চেম্পিয়ন ওইখিবগা লোয়ননা মরিরক হন্না মিক্স দবলসকী চেম্পিয়ন ওইবা লৈখ্রবনি।

পেস অমসুং সমাসদিনগী জুরানা হন্দক্তা ইলকি ত্রোফি লৌখিবগা লোয়ননা ৱিমব্লেদন মমাঙদা পাঙথোকখিবা অন্টালিয়া ওপনগী সেমী ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

অমরোমদা, পুরব রাজা অমদি দিবেজ সরনসু ৱিমব্লেদনগী মেন'স দবলসতা শরুক য়ারি। অহানবা রাউন্দদা মখোয়না পোর্টুগলগী জোৱা সোচা অমসুং য়ুনাইটেদ কিংদমগী কাইলি এদমনগী জুরাগা থেংনরগনি।

এসোসিএসন ওফ টেনিস প্রোফেসনেল (এ টি পি) টাইটল অহুল্লক লৌখ্রবা ইন্দিয়াগী দবলস পার্টনর অসিনা চহী অসিগী হৌগৎলকদা বোর্দিওক্স চেলেঞ্জর লৌবা ঙমখ্রবনি। অন্টালিয়া ওপন্দসু মখোয় ক্বার্টর ফাইনেল রাউন্দ চঙবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী সানিয়া মিরজানা বেলজিয়মগী ক্রিষ্টিন স্লিকেন্সকা পারগা নুপীগী দবলস ইভেন্টতা শরুক য়াগদৌরি।

অহানবা মেচতা মখোয়না চাইনাগী ঝাং সুৱাই অমসুং জপানগী নৌমি ওসাকাগী জুরাগা থেংনরগনি।

ৱিমব্লেন্দদা গার্লস দবলসকী টাইটল লৌখিবগা লোয়ননা মার্টিনা হিঙ্গিজগা পারগা সেনিয়র ৱিমব্লেদনগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবী সানিয়া মিরজানা হন্দক্কী মতাং অসিদদি তম্বা ঙমদবা ফীভম অমদা লৈরি। মহাক্কী দবলস পার্টনর ওইরিবা স্লিকেন্সকী হকচাংগী ফীভম মপূং ফানা ফিট ওইদবা মরম্মা হন্দক্কী টুর্নামেন্ট অসিদা কদায় ফাওবা নিংথিজনা শান্নবা ঙমদগে হায়বদু তম্বা ঙমদ্রি।

ইকুই কুইদ্রিঙৈদা সানিয়া মিরজানা ফ্রেঞ্চ ওপনগী ক্বার্টর ফাইনল অমসুং বর্মিংহেম ক্লাসিক্কী সেমী ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রবনি।







## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৫১

১. হান্নদি টেষ্ট ক্রিকেট শান্নবদা থার্দ অম্পয়ার লৈরমদে। থার্দ অম্পয়ারগী চৎন-কাঙলোন অসি হেক লৈরকপগা থার্দ অম্পয়ারনা অহানবা ওইনা আউট পীখিবা শান্নরোয়দি সচিন টেন্দুলকরনি। থার্দ অম্পয়ার অদু কনানো?

২. Me, Myself and Irene কৌবা জিম কেরিগী ফিল্মদা শরুক য়াখিবা শান্নরোয় অদুগী মমিং করি কৌই?

৩. ৱিল্লিয়ম পেটিগ্রুনা মণিপুরদা করম্বা মশান্না হৌদোকখিবগে?

৪. কোলকটাগী উদায়ন চেরিটি হোমগা মরী লৈনবা, মসিবু মতেং পাঙবা শান্নরোয় অমগী মমিং হায়য়ু।

৫. লাই অসিদা উৎলিবা শান্নরোয় অসিগী মমিং অমদি মহাক্না শান্নরিবা মশান্না অদুগী মমিং হায়য়ু।



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ১৫ থাংজ নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# সাষ্ট্রিনা কোচ ওইনবা এপ্লাই তৌখি হায়না ফোঙদোরকখ্রে, বি সী সী আইগী সী ঈ ও রাহুল দোহরিনা অনৌবা কোচ খনবগী মতাংদা বিরাট কোহলিগী মত লৌগদৌরি



ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৫ (এজেন্সী) :

মতম অমগী মমিং লৈরবা ইন্দিয়াগী ওল রাউন্দর রবি সাষ্ট্রিনা টিম ইন্দিয়াগী চীফ কোচ ওইনবা এপ্লিকেসন পীশিনখি হায়বা ৱাফম মশানা ফোঙদোরকখ্রে।

রিপোর্ট অমা পল্লদুনা এজেন্সিগী পাউনা হায়, মতম কয়াগী মমাঙদা রবি সাষ্ট্রিনা ইন্দিয়ন ক্রিকেট টিমগী চীফ কোচ ওইনবগী মতাংদা এপ্লিকেসন পীশিনখি। অহানবদা ৱাফম অসি কনামত্তনা খঙনরমদবা তারবসু সাষ্ট্রি মশামক্না অচুম্বনি হায়না ফোঙদোরকখি।

অমরোমদা বের্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই) গী চীফ এক্সিক্যুটিভ ওফিসার রাহুল জোহরিনা জমাইকাদা চৎতুনা ইন্দিয়াগী কেপ্তেন বিরাট কোহলিগা উনদুনা অনৌবা কোচ খনবগী মতাংদা মত লৌগদৌরি।

মশক মমিং তাকথোক্লিংদবা বি সী সী আইগী ওফিসল অমনা পি টি আইদা হায়খি মদুদি কম্মিটি ওফ এদমিনিষ্ট্রেটরস (সী ও এ) গী অয়াবা লৌরগা রাহুল জোহরিনা জমাইকাদা বিরাট কোহলি উনবা চৎখ্রে হায়বা ৱাফম অসি অচুম্বনি। অথুবা মতমদা টিম ইন্দিয়াগী অনৌবা চীফ কোচ অমা খন্নবগী পান্দমদা থৌরাং অসি লৌখৎলকখিবনি হায়রি।

অমরোমদা, বি সী সী আই অমসুং কৃকেট এদভাইজরি কম্মিটি (সী এ সী)না অনৌবা কোচ খন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপগা ইরোয়ননা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ওইরম্বা রবি শাস্ত্রিনা ফম অসি পায়রবা য়াই হায়না থাজনরিবনি।

টিম ইন্দিয়ানা শ্রীলঙ্কাগী টুর চৎত্রিঙৈগী মাঙওইননা অনৌবা চীফ কোচ অমা খনগদবনি। হীরম অসিগী মতাংদা মমিং লৈরবা ইন্দিয়াগী বেটসমেন সুনিল গভস্করনা হায়খিবনি অনিল কুমব্লেনা তোকখিবদগী হাঙদুনা লৈহৌরিবা চীফ কোচকী ফম অসি রবি শাস্ত্রিনা পায়রবা য়াই।

এন দি টি ভিগা উনখিবা অমদা গভস্করনা হায়খি, কুমজা ২০১৪ দা ইংলেন্দগী মখূৎতা মায়থীবা ফংখ্রবা মতুংদা রবি শাস্ত্রিবু ইন্দিয়ন টিমগী কোচ ওইহন্নবা থৌরাং লৌখৎখি। হন্দক্তি শাস্ত্রি মশামক্না কোচ ওইনবগী মতাংদা এপ্লিকেসন পীরকখিবা লৈবনা ফম অসি মহাক্না শোয়দনা পায়রবা য়াই।

ৱাহং অমগী পাউখুমদা সুনিল গভস্করনা হায়খি, বিরেন্দর সেহৱাগ অমদি তোম মূদিনচিংবা মতিক চাবা মীওই কয়া লৈবা তারবসু খ্বাইদগী এক্সপরিয়েন্স লৈবা মরম্মা রবি শাস্ত্রিবু চীফ কোচকী ফম পায়হনবদা খ্বাইদগী মতিক চাবা মীশকনি হায়না লৌবা য়াই।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০১৪ দগী কুমজা ২০১৬ ফাওবা শাস্ত্রিনা টিম ইন্দিয়াগী দিরেক্টর ওইখিবনি। মতমদুদা শাস্ত্রিগী লিচিং মখাদা ইন্দিয়ানা কুমজা ২০১৫ গী ৱার্ল্ড কপ অমসুং কুমজা ২০১৬কী টি-২০ ৱার্ল্ড কপতা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

রবি শাস্ত্রিনা চীফ কোচ ওইনবগীদমক এপ্লিকেসন পীশিল্লক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা বিরেন্দর সেহৱাগ অমসুং তোম মূদিনা ফম অসি পায়নবা হোৎনদুনা লাকখি।

সী এ সীগী মেম্বর ওইরিবা সৌরব গঙ্গুলি, সচিন তেন্দুলকর অমসুং ভি ভি এস লক্ষ্মননা জুলাই ১০ দা কেন্দিদেটশিং ইন্টর্ভিয়ু লৌগদৌরি।

চৈরকসিদা বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই)না অথুবা মতমদা ইন্দিয়ন কৃকেট টিমগী প্রোফেসনেল মেনেজর অমা খন্নবা থৌরাং লৌখৎপা লৈখ্রবনি। হীরম অসিগী মতাংদা চয়োল অমগী মনুংদা এদভর্টিজমেন্ট ফোঙনবা থৌরাং তৌরি।

সী ও এনা হৌজিক লৈরিবা বি সী সী আইগী ওফিসলশিংনা লৌখৎলিবা থৌরাংশিংদা য়ানিংদবদগী অথুবা মতমদা অনৌবা প্রোফেসনেল মেনেজর অমা হাপ্নবা থৌরাং লৌখৎলকপনি হায়রি।

রিপোর্ট অমনা হায়খি মদুদি, হৌজিক লৈরিবা বি সী সী আইগী ওফিসলশিংনা শান্নবগী টুর অমা চৎলুরবা মতুংদা রিপোর্ট পীরকপগী থৌওংদা সী ও এনা য়ানিংদবা ৱাফম কয়ামরুম লৈরি। মরম অদুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী মওং লৌরগা অনৌবা এদমিনিষ্ট্রেটিব মেনেজর অমা খন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপনি। নৌনা খনগদৌরিবা মেনেজর অসিনা চহী ২ থৌ পুগনি হায়রি। মেনেজরনা পীরকপা রিপোর্ট হকচিন্না লৌবা য়ানবগীদমক বি সী সী আইনা অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি।

# ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপকীদমক স্পোর্টস মিনিষ্টর বিজয় গোয়লনা অখন্নবা থৌরং লৌখৎলি

ন্যু দেল্লি, জুলাই ০৫ :

ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্ক-দৌরিবা ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ মপূং ফাহন্নবগী মতাংদা য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর বিজয় গোয়লনা অখন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎপা হোৎনরি।

পাউমীশিংগা উনবা অমদা মিনিষ্টরনা হায়খি মদুদি মেচ খুদিংমক্তা ষ্টেদিয়ম থলহন্নবগী মতাংদা স্কুল স্কুলশিংদা চৎতুনা মহৈরোয়শিংবু ফুটবোল মশান্নগী অথোই অহেন তান্নবা অসি য়েংহন্নবা থৌরাং লৌখৎলি।

মীওই ৬০,০০০ চনবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মগী ফীভম য়েংশিনবা লাকপদা মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবনি।

পনবা য়াই, লাক্লিবা ওক্টোবরদা গুৱাহাটিনা য়ূম্বু ওইদুনা ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপকী মেচ মাপন শান্নগদৌরিবা অসিগীদমক শেম শারিবশিং আসামগী চীফ মিনিষ্টর সরবানন্দ সোনোৱালনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা অহানবা ষ্টিয়ারিং কম্মিটিগী মীফম পাঙথোক্তুনা খন্ন নৈনবা লৈখ্রবনি।

মফম অসিদা অহানবা ষ্টিয়ারিং কম্মিটিগী মীফমদা চীফ মিনিষ্টরনা প্রিসাইদ তৌরদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা মেচশিং অসিগীদমক তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংনা লৌগদবা রোলশিং অদুগী মতাংদা কূপ্না তাথোক তাশিন তৌদুনা খন্না নৈনখি।

ফিফাগী ওফিসিএলশিং, মসিগী টুর্নামেন্ট দিরেক্টর জেবিয়র সেপ্পি অমদি ভেন্যু দিরেক্টর রোমা খনানা শেম শারিবশিং অদুদা অপেনবা ফোঙদোকখি।

টুর্নামেন্ট অসি লাক্লিবা ওক্টোবর থাদা গুৱাহাটিনা য়ূম্বু ওইদুনা মেচ মাপন শান্নগনি।





HL-B/3934/11/6-10/7

# এসিয়ন এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়ানা গোল্ড মেদল কয়ামরুম লৌনবা পান্দম থল্লি



ন্যু দেল্লি, জুলাই ০৫ : ভুবনেশ্বরগী কলিঙ্গ ষ্টেদিয়মদা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা ২২ শুবা এসিয়ন এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ্তা তোঙান তোঙানবা লৈবাক্তগী লাকপা এথলেট ৮০০ হেনবনা শরুক য়াগদৌরি।

নুমিৎ মরিনি চুপ্পা চথুগদৌরিবা শান্নবগী অথোই অহেন তান্নবগী থৌরম অসিদা ইন্দিয়াগী এথলেট ৯৫ না এসিয়াগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদগী লাকপা খ্বাইদগী হৈশিংলবা শান্নরোয়শিংগা লম্বা পাগদৌরি।

কুমজা ২০১৫ দা চাইনাগী ৱুহান্দা পাঙথোকখিবা মমাঙগী এসিয়ন এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়ানা মেদল ১৩ - গোল্ড মরি, শিলভর মঙা অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল মরি লৌদুনা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈখিবনি।

হন্দক্কী মতাং অসিদসু য়ামদ্রবদা ইনিদয়ানা গোল্ড মেদল মঙা লৌবা ঙমগনি হায়না থাজবা থল্লি।

মরু ওইনা গোল্ড মেদল লৌরবা য়াই হায়না থাজনরিবা শান্নরোয়শিংদি মনপ্রীট কৌর (নুপীগী সোট পুট), মহম্মদ অনাস (নুপাগী মিটর ৪০০ গী লমজেল), নিরাজ চোপ্রা (নুপাগী জেবলিন থ্রো) অমসুং বিকাস গৌদা (নুপাগী দিস্কস থ্রো) নি।

মমাঙ চয়োলদা পেরিসতা পাঙথোকখিবা দাইমন্দ লীগতা নিরাজ চোপ্রানা নুপাগী জেবলিন থ্রোদা মিটর ৮৪.৬৭ লংদুনা মঙাশুবা পোজিসন তাখিবনি। অদুবু শান্নরোয় অসিনা মিটর ৮৬.৪৮ শান্না লংবা ঙম্বগী রেকোর্দ থম্বা লৈখ্রে।

মমাঙগী এসিয়ন এথলেটিক চেম্পিয়নশিপ্তা গোল্ড মেদল লৌখিবা চাইনাগী হুৱাং সি ফেয়িংনা মিটর ৭৯.৭৪ লংখিবনি। মরম অদুনা হন্দক্কী মতাং অসিদা নিরাজ চোপ্রানা গোল্ড মেদল লৌবা য়াই হায়না থাজনরি।

অমরোমদা, মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী ফবা সোট পুট্টরশিংগী মনুং চল্লিবা মনপ্রিট কৌরনা এপ্রিল থাদা চাইনাগী জিন হুৱাদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন গ্রান্দ প্রীদা মিটর ১৮.৮৬ শান্না লংবা ঙমখি।

হন্দক্কী চেম্পিয়নশিপ অসিদসু মহাক্না হেন্না ফজবা পার্ফোর্মেন্স পীদুনা গোল্ড মেদল লৌরবা য়াই হায়না থাজনরি।

নুপাগী দিস্কস থ্রোদা বিকাস গৌদানা ইন্দিয়াগী গোল্ড মেদল অমা শোয়দনা লৌরবা য়াই হায়না এথলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা থাজবা থল্লি।